# খ্বাইদগী ফজনা লৈঙাকপা অপীকপা ষ্টেটশিংগী মরক্তা নাগালেন্দ, মণিপুর, মেঘলায়ানা মমৈ তাহৌরে




***বেঙ্গলুরু, জুলাই ২২ ঃ***
পব্লিক এফিয়ার্স সেন্টর (পি এ সি) না থাদোক্লকখিবা পব্লিক এফিয়ার্স ইন্দেক্স (পি এ আই) ২০১৮ দা লৈবাক অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজনা লৈঙাকপা ষ্টেট কেরলানা ওইরে। অদুগা কর্নাটকানা মরিশুবা তারে।

বেঙ্গলুরুদা লৈবা পি এ সি না মসিগী অহুমশুবা চহীগী পি এ আই পুথোক্লবা ঙরাং থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা সিটি অসিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা হায়খি, কুমজা ২০১৮ গীদমক পব্লিক এফিয়ার্স ইন্দেক্সতা কেরলানা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরে। ষ্টেট অসিনা ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজনা লৈঙাকপা ষ্টেট তারকপসি থংন-থংননা চহী অহুম শুরে।

কুমজা ২০১৬ তগী হৌনা চহী খুদিংগী ফোঙবা ইন্দেক্স অসিনা দাটা-বেজ ফ্রেমৱার্ক অমগী খুথাংদা ষ্টেটসশিংনা পীবা ঙল্লিবা সোসিয়েল অমসুং ইকোনোমি দিভলপমেন্টকী মকোক মথং লেপ্পুনা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা গভর্ণেন্সকী পার্ফোমেন্স অদু য়েংশিল্লি।

কুমজা ১৯৯৯ দা মমিং চৎলবা ইন্দিয়ান ইকোনোমিষ্ট অমসুং স্কোলার, লৈখিদ্রবা সেম্যুেল পাউলনা লীংখৎখিবা থিঙ্ক টেঙ্ক অসিনা লৈবাক অসিদা হেন্না ফবা গভর্ণেন্সকীদমক দিমান্দ অমা মোবিলাইজ তৌনবা থবক তৌরি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না গুদ গভর্ণেন্স পীবা মকোক থোংবা ষ্টেট মঙাগী মরক্তা কেরলাগী মথংদা তামিল নাদু, টেলঙ্গনা, কর্নাটকা অমসুং গুজরাট লৈ। মধ্য প্রদেশ, ঝর্খন্দ অমসুং বিহারনা ইন্দেক্স অসিদা খ্বাইদগী নেম্না লৈ।

পি এ আই ২০১৮ অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগী পার্ফোমেন্স য়েংনবা করিগুম্বা খরদা ওইরবসু খঙহনবা ঙমগদবা দাটা-বেজ ফ্রেমৱার্ক অমগী খুদম অমনি হায়না ইন্দেক্স অসি পুথোকপগী থৌরম অদুদা পি এ সি গী চিয়ার্মেন কে কষ্টুরিরঙ্গননা হায়খি। কষ্টুরিরঙ্গন অসি ইন্দিয়ান স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইশ্রো) গী হান্নগী চিয়ার্মেননি।

পি এ সি গী ইন্দেক্স অসিদা ষ্টেটশিংবু মখোয়গী মীশীংদা য়ূম্ফম ওইরগা অচৌবা অমসুং অপীকপা হায়না অনী থোক্লা খাইদোকই। অপুনবা মশীং ক্রোর ২ হেনবা ষ্টেটশিংবু অচৌবা হায়না লৌই। পি আই এ অসি পুথোক্লবা গভর্ণমেন্ট দাটাদা মপূং ওইনা য়ূম্ফম ওইরগা পূন্না মরু ওইবা হীরম ৩০ অমসুং ইন্দিকেটর ১০০ লৌখৎলি।

মীচঙ-মীখাই নাইবা অমসুং চাং মান্নলা য়েংবা মীৎয়েং নত্তে হায়না লৌখিবা য়াগদবা প্রাইভেট দাটাশিংদা পি এ সি না য়ূম্ফম ওইখিদে।

চহী অসিগী পি এ আই না ষ্টেটশিংনা ঙাংখিবা কয়া য়াম্না অমসুং করম্না থবক পায়খৎলি হায়বা খঙনবা ইন্দিয়াগী অঙাংশিংগী মতাংদা তোঙানবা ইন্দেক্স অমা হাপচিল্লে। অঙাং পূম্নমক্কীদমক হিংনবগী হেন্না ফবা ফিভমশিং পীবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা কেরলা, হিমাচল প্রদেশ অমসুং মিজোরামনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নেস্নেল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী হান্নগী চিয়ারপার্সন শান্থা সিনহানা লৈবাক অসিদা অঙাংশিংগী হক্তা পূক্নীং চিংশিল্লদুনা সেমুয়েল পাউল মেমোরিয়েল লেকচর পীখি।

লায়রবা ইমুংদা চাওরকখিবা অঙাংশিংবু মখোয়গী ফিভম অদুগীদমক মরাল শীবা য়ারোই। হেন্না ফবা হিংবগী খুদোংচাবশিং শোয়দনমক মখোয়দা পীবা হায়বসি ষ্টেট অদুগী দাইত্যনি হায়না সিনহানা হায়খি।

# হৌজিকসু শান্তিগী ওইথোক্লিংঙাই লৈ হায়রদুনা কাইহৌরক্তনবা য়ু এস কী মথক্তা ইরাননা ৱার্নিং তৌখ্রে

***তেহরান, জুলাই ২২ ঃ***
ইরানগী প্রসিদেন্টনা মহাক্কী লৈবাক্কী মায়োক্তা কাইহৌরকপগীদমক য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পতা ৱার্নিং তৌখ্রে অমসুং লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা হৌজিকসু শান্তিগী ওইথোক্লিংঙাই লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই প্রোগ্রাম অমা চথবদগী তেহরানবু থিংনবা পান্দম থম্বা ইন্টর্নেস্নেল দিল অমদগী দোনাল্ড ট্রম্পনা চহী অসিগী অঙনবদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু তোকহল্লকখিবনি অমসুং ইরানগী মথক্তা আমেরিকান সেঙ্কসনশিং হেনগৎনবা ওর্দর তৌখি।

ইরানগী সেমি-ওফিসিয়েল ইসনা ন্যুজ এজেন্সিনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পপু প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা ৱার্নিং তৌখিবা অদু পল্লদুনা হায়খি, নোংশাগী মমৈ পায়দুনা শান্নগনু নৎত্রবদি তুংদা নহাক নীংঙমদবা লাক্কনি।

ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা হৌজিকসু লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্তি ওইনবগী ওইথোক্লিংঙাই লৈ হায়বা ৱাফম থম্লদুনা ইরানগা শান্তি ওইনা লৈমিন্নবা হায়বসি শান্তি পূম্নমক্কী মমা অদুনি, অদুগা ইরানগা থেংনবা লান অদুনা লান পূম্নমক্কী মমা অদুনি হায়বসি আমেরিকানা শোয়দনমক খঙগদবনি হায়খি।



# পাকিস্থানগী আর্মি হেদক্বার্টর্স মপান্দা আই এস আই গী মায়োক্তা নৱাজ শারিফ শৌগৎপা মীয়াম্না খোল্লাও লাওশিনখ্রে

***রাৱলপিন্দি, জুলাই ২২ ঃ***
পাকিস্থানদা মহৌশানা থোক্লন্দবা অচৌবা থৌদোক অমদা লৈবাক অসিগী শক্তি লৈরবা স্পাই এজেন্সি আই এস আই (ইন্টর সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্স) কী মায়োক্তা পাকিস্থানগী মরু ওইবা পোলিটিকেল পার্টি পি এম এল-এন অমসুং অতৈ কয়াগী শৌগৎপশিংনা রাৱলপিন্দিদা লৈবা আর্মিগী জেনরেল হেদক্বার্টরসকী মপান্দা খোল্লাওশিং লাওখ্রে।

পাকিস্থান আর্মি হেদক্বার্টরস অদুগী মপান্দা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর শারিফকী মশীং য়াম্লবা শৌগৎপা মীওইশিং পুনখি অমসুং আই এস আই মুরদবাদ হায়বা খোল্লাওশিং লাওখি। মসিগী মথক্তা আর্মিনা ষ্টেট টেরোরিজম চখহনবনি হায়নসু লাওশিনখি।

জুলাই ২৫ দা পাঙথোক্লদবা পাকিস্থানগী জেনরেল ইলেক্সনশিং অসি লৈবাকসিগী স্পাই এজেন্সি আই এস আই না মতম লেপকনি অমসুং রিগিং তৌগনি হায়না প্রোটেষ্টরশিংনা মরাল শীখি।

পার্টিগী লুচিংবা হানিফ অব্বাসিবু ইফেদ্রিন স্মগ্লিং কেসদা জুলাই ২১ দা পুন্সিচুপ্পা জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখিবা কন্ট্রোলস ওফ নার্কোটিক্স সবষ্টেন্সেস (সি এন এস) কোর্টকী রাই অদুগী মায়োক্তা পি এম এল-এন না প্রোটেষ্ট তৌখি।

পার্টি অসিগী শৌগৎপা মশীং য়াম্লবা মীয়াম অমা থোক্লরকখি অমসুং আই এস আই বু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

বালোচ নেস্নেল মুভমেন্টকী প্রসিদেন্ট জাফর বালোচনা ট্যুটরদা হায়খি, পাকিস্থানগী লম্বী শরকশিংদা মীয়াম্না ফোঙনা থোক্লক্তুনা দেথ টু আই এস আই হায়না খোল্লাওশিং লাওখ্রে। মসি লৈবাক অসিগী ইতিহাসতা পাকিস্থান আর্মি অমসুং মসিগী স্পাই এজেন্সি আই এস আই গী মায়োক্তা নীংবা কাইবদগী মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রবা মওংদা মীয়াম্না থোক্লরকখিবনি।

ইস্লামাবাদ হায় কোর্টকী জজ জষ্টিস সৌকট সিদ্দিক্যুইনা জুলাই ১৪ দা আই এস আই বু জুদিসিয়ারি অমসুং মেদিয়াবু খুদুম চনশিনবগীদমক ফোঙনা চৈখি।

নৱাজ শারিফকী করপসন কেস য়াওনা তোঙান তোঙানবা কেসশিংদা আই এস আইনা মখোয়না পাম্বা ৱায়েল চৈরাক পীনবা চীফ জষ্টিস অমসুং অতৈ জজশিংগী মথক্তা শাফু পীথৈ হায়না রাৱলপিন্দি বার এসোসিয়েসনদা ৱা ঙাংবদা ইস্লামাবাদ হায় কোর্টকী জজ অদুনা এজেন্সি অসিবু মরাল শীখি।

মরকসিদা ক্রিকেটর ওইরম্বদগী পোলিটিক্সিয়ান ওল্লকখ্রবা পাকিস্থান টেহরীক-ই-ইন্সাফকী লুচিংবা ইম্রান খানগী শক্তি পাইনবগী লম্বী অদু পাকিস্থান আর্মিনা হাংনবা হোংনরৱা হায়না ইন্টর্নেস্নেল কম্যুনিটিনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লখ্রবনি।

# পি এম এল-এন চীফ শেহবাজ শারিফনা পাকিস্থানবু ইন্দিয়াদগী হেন্না চাওখৎহনগনি হায়না ৱাশকখ্রে

***ইস্লামাবাদ, জুলাই ২২ ঃ***
ঙসিগী মেদিয়া রিপোর্ট অমগী মতূং ইন্না পাকিস্থান মুস্লিম লিগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) লুচিংবা শেহবাজ শারিফনা মহাক্না লৈঙাক্কী শক্তি পায়রবা তূংদা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা য়েংথিনবা ইন্দিয়াদগী হেন্না পাকিস্থানবু চাওখৎহনগনি হায়খ্রে।

শক্তি পায়রক্লবা তুংদা মহাক্না পাকিস্থানবু ইন্দিয়াদগী হেলহনবা ঙমদ্রবদি মীয়াম্না মহাক্কী মমিং হোংদোকপা য়ারে হায়না শারিফনা হায়খি হায়না দ *এক্সপ্রেস ট্রিব্যুন* না হায়খি।

মখোয় (ইন্দিয়ান) শিংনা ৱাহগা বোর্দরদা লাক্কনি অমসুং পাকিস্থানিশিংবু মখোয়গী মাষ্টর কৌগনি হায়না মশাগী চহী ৬৫ শুরবা শারিফকী ৱা পল্লদুনা পাউচে অদুনা হায়খি।

মহাক্না পাকিস্থানবু মালেসিয়া অমসুং তর্কিগা মান্নবা থাক্তা পুরক্কনি। পাকিস্থানবু অমুক হন্না অচৌবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা মহাক্না মালেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মহাথির মোহমদ অমসুং তর্কিগী প্রসিদেন্ট তায়িপ এরদোগান উন্নদুনা মখোয়দগী লৌশিং ফংনবা হোৎনগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

ঐখোয়গী লৈবাক্তা মীনম্বা ৱাশকশিং শক্লিবা ইম্রান খানগুম্বা লুচিংবশিংদা ভোট পীদুনা পাকিস্থানবু অচৌবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙম্লোই। লম্বীসিদা লৈরিবা য়ু-টর্নগী খুদমশিং অসি লৌথোক্কদবনি অমসুং ইম্রান খানগী পিকচরনা মহুৎ শিন্দোক্কদবনি। পাকিস্থান তেহরীক-ই-ইনসাফ লুচিংবগী পোলিটিক্স অসি য়ূম্ফম য়াওদনা মরাল শীবশিং অমসুং মীনম্বা ৱাশকশিংদা য়ূম্ফম ওই হায়না শেহবাজ শারিফনা হায়খি।

পঞ্জাব গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ইম্রান খাননা করপসনগী মরাল শীখি অদুবু ঐগী ইথক্তা শুপ্নগী পেনি অমগী চাং ফাওবা প্রমান ফংবা ঙমদে হায়না হান্নগী পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

মহাক্কী ময়াম্বা নৱাজ শারিফনা মহাক্কী নাদুনা লৈরবা লোয়নবী লন্দনদা থম্লম্লগা পাকিস্থানদা হল্লকখি অদুবু শারিফ অমসুং মাগী মচানুপী মারিয়ম নৱাজবু এয়ারপোর্টতগী ফাখি। নৱাজ শারিফপু মহাক্কী মমাগা ফাওবা উন্নবা য়াহনখিদে হায়না পি এম এল-এন গী প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফ অমসুং মচানুপী মারিয়মবু করপসনগী মরালশিংদা কোর্ট অমনা মথংশিংনা চহী ১০ অমসুং চহী ৭ জেলদা চৈরাক পীবগী রাই পীখি। মোরিয়মগী মপুরোইবা মোহমদ সাফদরসু চহী ১ গী জেলগী চৈরাক পীখি।

# নাইজরদা আর্মিনা বোকো হারাম ১০ হাংখ্রে

***নিয়ামি, জুলাই ২২ ঃ***
নাইজরগী খা নোংচুপ্তা লৈবা মিলিটরি পোজিসন অমদা বোকো হারাম জিহাদিষ্ট গ্রুপকী ফাইটরশিংনা এটেক তৌরকখিবদা আর্মিনা টেরোরিষ্ট ১০ হাংখ্রে।

শগোলশেন অমসুং ইরাইগী লোন্নবা নুমিদাংদা বোকো হারামগী ফাইটরশিংনা বরোৱা মিলিটরি ষ্টেসন্দা এটেক চখরকখি। মদুদা লান্মী অমা শিখি অনী শোকখি। য়েক্লবগী নাকলদা টেরোরিষ্ট ১০ হাংখি হায়না নাইজরগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

হৌজিক মফম অদু সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থিবা-হুম্বগী থবক মখা চখরি। বরোৱা হায়রিবা মফম অসি নাইজেরিয়াগা তাইনবা ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা নাইজরগী খা নোংপোক থংবা দিফা রিজনদা লৈবনি অমসুং মফম অসিদা বোকো হারামনা মমাঙদসু এটেক কয়ামরুম চখরকখ্রে।

অমরোমদা বোকো হারাম জিহাদিষ্টনি চিংনবশিংনা লেক চাদ রিজনদা এটেক চখরক্তুনা মীওই ১৮ হাংখ্রে হায়না চাদকী মিলিটরি লীখুন অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

মীওই ১৮ অদু খৌরি লেনথৎতুনা হাংলম্বনি। মদুতা নক্তা নুপী ১০ সু ফাদুনা পুখ্রে হায়রি।

# পাকিস্থানগী টেরোরিষ্ট গাইদ কাপ্পুনা হাংখ্রে

***কাথুৱা, জুলাই ২২ ঃ***
ঙসি নোংমাইজিংগী অয়ূক পূং ৭ লোম তাবদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কাথুৱা দিষ্ট্রিক্তকা তাইনবা ইন্টর্নেস্নেল বোর্দর পরীংদা ইন্দিয়ারোমদা চঙশিন্নবা হোৎনরকপা পাকিস্থানগী টেরোরিষ্ট গাইদ অমা ওইরমগনি থাজবা মীওই অমা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সনা কাপ্পুনা হাংখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ রোম শুরম্লগদবা মীওই অদুদগী পাকিস্থানগী শেন খরসু ফংখি। মহাক ঙমখৈদা চঙশিনবা য়ারে হায়বগী সিগ্নেল ঙাইদুনা লৈবা মাল্লি হায়রি।

# সি দব্লিউ সি না রাহুল গান্ধীদা এলাইয়েন্স শেম্নবা শক্তি পীখ্রে




***ন্যু দিল্লি, জুলাই ২২ ঃ***
কংগ্রেস পার্টিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা বোদি ওইরিবা কংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিতিনা লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পি গা লম্বা থেংনবা ঙম্নবা এলাইয়েন্সশিং শেম্নবা পার্টি প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীদা শক্তি পীখ্রে।

২০১৯ লোক সভা মীখলগী থৌরাং তৌনবা ঙসি সি দব্লিউ সি গী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহন সিংহ, হান্নগী কংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী অমসুং হৌজিক হৌজিক কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাহুল গান্ধীনা ৱা ঙাংখি।

জনার্দন দ্রিবেদি অমসুং দিগবিজয় সিংহ নচিংবা সেনিয়ার কংগ্রেস লীদরশিং সি দব্লিউ সি গী মীফম অদু য়াওখিদে। মখোয় অনীমক পার্টি প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা সি দব্লিউ সি দগী লৌথোকখ্রবনি।

মেম্বরশিংদা পীবা মহাক্কী ৱারোলদা সোনিয়া গান্ধীনা হায়খি, এলায়েন্সশিং শেম্বদা থবক তৌনবা ঐখোয়না লেপ্পি অমসুং মহাক্না মসি ফংনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূম্নমক মহাক্কীদমক লেপ্পি। ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিবু ইজৎ মাঙহল্লিবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা রেজিম অমদগী ঐখোয়গী মীয়াম্বু ঐখোয়না কনবা তাই।

পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা মীফম পাঙথোক্লিবসি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগীদমক ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী লাল্লোং লাওথোকখিবা অমসুং বি জে পি তাম্থোক্লবা ৱাশকখিবা অদুগী নোংমগী মতূংদনি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহন সিংহনা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা ফার্ম ইনকম শরুক অনী হেনগৎহনগনি হায়বা সেন্টরগী ধমকা অসি মফম কদায়দসু উবা ফংদে। মসিবু ওইবা তারবদি এগ্রিকলচরেল গ্রোথ রেট চাদা ১৪ ওইবা তাবনি হায়খি।

সোনিয়া গান্ধী অমসুং মনমোহন সিংহনা চহীসিদা ষ্টেট ইলেক্সনশিংগীদমক অমসুং ২০১৯ লোক সভা মীখলশিংগীদমক পার্টিগী কোর টিম অদু শেমগদবা অনৌবা সি দব্লিউ সি গী সেনিয়ার মেম্বরশিংনি।

কংগ্রেস পার্টিগী ৱারেপ লৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী ৱাংবা বোদি অসিগী মীফম অদুদা সচিন পাইলোট, শক্তি সিংহ গোহিল, রামেশ চেন্নিথালা, পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর কেপ্টেন অমরিন্দর সিংহ, পি চিদম্বরম, এস আর সুরজেৱালা নচিংবনা ৱা ঙাংখিবনি।

অনৌবা কংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিতি অসি মেম্বর ২৩ হাপচিন্দুনা অমসুং চহী অমসুং এক্সপরিয়েন্স অনীগী মরক্তা খল থম্নবা মকোক থোংবা লুচিংবা খরা লৌথোক্লগা পার্টি প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা জুলাই ১৭ তা শেমখিবনি।

রাহুল গান্ধীনা এলায়েন্সশিং শেম্নবা মেন্দেট ফংবগা লোয়ননা সি দব্লিউ সি গী মীফম অদু লোইশিনখি।

# লম্বী মথক্তগী তারকপা ট্রকনা ননবদা মীওই ৬ শিখ্রে

***জাউনপুর, জুলাই ২২ ঃ***
ঙসি অয়ূক পূং ৯.৩০ রোম চৎপা মতমদা লক্ষনৌ-বারানসি নেস্নেল হায়ৱেদা ট্রেলর-ট্রক অমগী ড্রাইভরনা গারী অদু কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী জলালপুর মার্কেটতা ওম্ভরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক নন্দুনা শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই মরি শোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মশক মমিং খঙবা ঙম্লে। অশোকপা মীওইশিং অদু অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখ্রে হায়না সার্কল ওফিসার (সিটি) নৃপেন্দ্রনানা হায়খি।

# মহারাষ্ট্রদা থা ১২ গী মনুংদা অঙাং ১৯,০০০ হেন্না শিখ্রে ঃ *মিনিষ্টর*

***মুম্বাই, জুলাই ২২ ঃ***
মহারাষ্ট্রদা কুমজা ২০১৭ কী এপ্রিলদগী ২০১৮ গী মার্চ ফাওবগী মনুংদা মহারাষ্ট্রদা অরুম্বা ৱাৎপা অমসুং রেস্পিরেটরিগী ওইবা অনাবশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরম কয়াদগী অঙাং ১৯,৭৯৯ ফাওবা য়ৌনা শিখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্টর দীপক সাৱন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

শিবগী মরুওইবা মরমদি পোকপা মতমদা অরুম্বা ৱাৎপা, মতম শুদনা পোকপা, লৌনগনবা লায়নাশিং, রেস্পিরেটরিগী অনাবশিং অমসুং হকচাংগী ফিভম শোয়রকপশিংনি হায়না নাগপুরদা হন্দক্তা লোইশিনখিবা লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী মোন্সুল সেসনদা অইবা পাউখুম অমদা মহাক্না হায়খি।

অসিগুম্বা শিবা অসি থিংনবা লৌখৎপা খোঙথাংশিং অদু ফোঙদোক্লদুনা হেল্থ মিনিষ্টর দীপক সাৱন্টনা আঙ্গনৱাদি (গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা নুপী অমসুং অঙাংশিংগী কেয়ার সেন্টর) শিংগী খুথাংদা ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টনা অঙাংশিংদা মচি ওইবা চিঞ্জাক, হকচাং য়েংশিনবা, প্রি-স্কুল এদুকেসন অমসুং ভেক্সিনেসনশিং পী হায়খি।

মীরোনবী নুপীশিংবু অঙাং পোক্লবা মতূং নুমিৎ ৪২ লেম্না লায়েংই অমসুং মশা ঙমদবা অঙাংশিংবু মশাগী চহী অমা য়ৌদ্রি ফাওবা হিদাক্কী মতেং লেম্না পী হায়না মহাক্না হায়খি।

মসিগী মথক্তা গভর্ণমেন্টনা পীরিবা অতৈ সার্ভিসশিংগী মথক্তা ব্লদ ট্রান্সফ্যুজর, ইমর্জেন্সি অমা থোক্লকপদা এম্বুলেন্সকুম্বা গারীশিং ফংহনবা অমসুং মচি ওইবা চিঞ্জাক্কী মতাংদা ঈ-পাউ ফংহনবনচিংবা য়াওরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ৱুমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলিবা থবক অসিগীসু মথক্তা পব্লিক হেল্থ দিপার্টমেন্টনসু মখল-মখা কয়াগী স্কিমশিং পায়খৎলি।

পব্লিক হেল্থ দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অদুগী মখাদা মীরোনবী নুপীশিংবু মপূং ফানা ফিজিকেল চেক-অপ তৌই। নৌনা পোকপা অঙাংশিংগী হকচাংগী ফিভম মতম নাইনা চেক তৌই অমসুং মখোয়দা মথৌ তাবা ভেক্সিনশিং পী হায়না মিনিষ্টর সাৱন্টনা হায়খি।

# পুলিস হাংখিবা টেরোরিষ্ট ৩ কাশ্মীরদা কাপ্পুনা হাংখ্রে

***শ্রীনগর, জুলাই ২২ ঃ***
জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগীদমক অচৌবা মায় পাকপা থৌদোক অমদা খা থংবা কাশ্মীরগী কুলগামদা পুলিস কন্সটেবল সালিম সাহবু ফাদুনা পুখিবা অমসুং হাংখিবা অদুগী শুপ্নগী পূং ১২ গী মতূংদা ষ্টেট পুলিস অমসুং আর্মিনা চখবা অথুবা ওপরেসন অমদা পুলিসমেন অদুবু হাৎপদা চেন্নবা টেরোরিষ্ট ৩ অদু কাপ্পুনা হাংখ্রে।

পুলিস কন্সটেবল সাহনা ছুটি লৌদুনা ময়ূমদা লৈরিঙৈদা মহাকপু কিদনেপ তৌখিবনি অমসুং হাংখিবনি। টেরোরিষ্টশিংগী মতাংদা ফংখিবা অকক্লবা পাউনা য়ূম্ফম ওইরগা ওপরেসন অদু পুলিস কন্সটেবল সাহবু কিদনেপ তৌখিবা মফমদুদগী কিলোমিটর ২ লাপ্পা কুলগামগী রেসিদেন্সিয়েল এরিয়াদা চখখি। ওপরেসন অদুদা কাপ্পুনা হাংখিবা টেরোরিষ্ট ৩ অদুগী মনুংদগী ১ দি লাসকর-ই-তাইবগী ওপরেটিভ অমনি। মহাক পাকিস্থানদগীনি অদুগা অতোপ্পা অনী অদুনা মফম অসিগী মীওইশিংনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

খূৎ থোক্লফম অদুদগী এ কে-৪৭ রাইফল অনী অমসুং করবাইন অমা ফংখ্রে। শ্রীনগরদগী কিলোমিটর ৭০ রোম লাপ্পদা কুলগামগী খুদৱানিদা লোত্তুনা লৈবা টেরোরিষ্টশিং অদুগা ইন্দিয়া আর্মি অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর ষ্টেট পুলিসকা লোয়ননা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী পার্সোনেলশিংগা খূৎ থোক্লখি।

কুলগাম পুলিস কন্সটেবল হাৎপদা চেন্নবা টেরোরিষ্টশিং অদু মফম অদুদা লোৎতুনা লৈরে হায়বা ইন্টিলিজেন্সকী পাউ ফংবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অদুদা থিবা-হুম্বগী থবক অমা চখখি। মদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুগী মথক্তা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অদু কোয়শিন্দুনা অশুম লাকশিল্লকপদা মফম অদুদা লোৎতুনা লৈরিবা টেরোরিষ্টশিং অদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাঙদা থা অসিদা জাবেদ অহমদ দর কৌবা পুলিস কন্সটেবল অমসু শোপিয়ানদা মাগী খুনদগী টেরোরিষ্টশিংনা ফাখি অমসুং হৌখিবা থাদসু ইদ ফেষ্টিভেলগীদমক ময়ূমদা চৎখিবা আর্মি জৱান ঔরঙ্গজেবপু কিদনেপ তৌখি অমসুং পুলৱামাদা ফাখি। ছুটিদা লৈবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলদা টার্গেট তৌবশিং থুনমক মহৈ ফংগনি হায়বসি ঙসিগী ওপরেসন অসিনা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে।

GAS TODAY

**M M Gas**
Booking : 20/06/18
Valid : 16/06/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 871/-

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 02/06/18
Valid : 27/05/18
Sl. No. 221049
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 22/06/18
Valid : 20/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Lambodara Indane**
Booking : 09/07/18
Valid : 04/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 12/07/18
Valid : 01/07/18
Sl. No. 11700
Stk : 400

সনা-সুদোকু -১২৩৫ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | 4 | 9 | 6 | 7 | 2 | 8 | 3 |
| 6 | 8 | 3 | 1 | 2 | 4 | 9 | 5 | 7 |
| 7 | 2 | 9 | 3 | 8 | 5 | 6 | 1 | 4 |
| 1 | 7 | 2 | 6 | 4 | 8 | 3 | 9 | 5 |
| 9 | 3 | 5 | 7 | 1 | 2 | 8 | 4 | 6 |
| 8 | 4 | 6 | 5 | 3 | 9 | 1 | 7 | 2 |
| 2 | 9 | 8 | 4 | 5 | 6 | 7 | 3 | 1 |
| 3 | 5 | 7 | 2 | 9 | 1 | 4 | 6 | 8 |
| 4 | 6 | 1 | 8 | 7 | 3 | 5 | 2 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1236**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 1 | 8 | | | 5 | 3 | | |
| | | | | 6 | | | 4 | |
| 9 | | | | | | 1 | 5 | |
| | | | 9 | 5 | | | | |
| | | | 1 | 4 | | | | 5 |
| 5 | 6 | | | | | | 3 | |
| | | | | 3 | | 8 | | |
| | | | | | | 9 | 6 | 3 |
| 8 | 3 | | | 2 | | | | |